**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-08-2025)**

**এক্সপো (এল) ঃ** সেন্টর ফোর রিছার্স ওন ইনভাইরোনমেন্টেল দিবলপমেন্টনা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন ওন্টরপ্রেন্যুয়র এসোসিয়েসন মনিপুর চেপ্তরগা খুৎশমদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাংদা লৈবা মারজিং পোলো টুরিজম কমপ্লেক্সতা ইবুধৌ মারজিং এক্সপো ২০২৫ হৌদোকখ্রে।

এক্সপো অদুদা মনিপুরগী চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিং অমদি আই.দি.পিশিংনা হাংবা স্তোল ৬০ রোম শরুক য়ারি। থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-ঙসিগী মীরোলনা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌদ্রবদি তুংগী মীরোলশিংনা অৱাবা কয়া থেংনগনি। মনিপুরদা রাস্ত্রপতি সাসন করি মরমদগী থল্লকখিবনো হায়বদু মীয়ামনা হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়রদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংবা অমনা মহাক্কী ফম অদু কন্নবা ৱাখলদা লৈরবদি মনিপুরগী মীয়াম অৱাবা মায়োকগনি হায়বসি খঙজিনবা তঙাইফদে।

শ্রী বিরেননা হায়-মনিপুরদা পুথোকপা পোৎথোকশিং মপান লমগী মীয়ামনা পামা লৈনরি। মসিগী খুদম হায়ববু এম.এস.এম.ইগী মখাদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রি তৌবদা মনিপুরনা হৌখিবা ইং ২০১৭ তগী হৌখিবা ২০২৩ গী মে থা ফাওবদা মকোক থোংদুনা লাকখি হায়না শ্রী বিরেননা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, করিগুম্বা থৌরম অমদা মনিপুরগী লৈবাক নীংবা ঈশৈ শক্লকপা মতমদা মীয়ামনা ইকায় খুমবীয়ু, মসিনা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল ফাওহনগদৌরিবনি। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমগা মরী লৈননা সিফাইগী বেন্দ পার্টি অমনা রাজ্য অসিগী লৈবাক নিংবগী ঈশৈ

খোঙলকপদা তিল্লিবা মীয়ামনা করিশু খঙদবগুম লৈখিবগী মওং অদু লাইবক থিবনি হায়নসু শ্রী বিরেননা মখা তাখি।

**সু মোটো (এল) ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা বেঙ্কশিংদা পার্সন ৱিট দিসএবিলিতিজ (পি.ডব্লিয়ু.দিজ) হায়বদি হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগী চংবদা খুদোংচাদবা থেংনরে হায়দুনা মসি কোকহন্নবগী মতাংদা ষ্টেট কম্মিস্নার ফোর পার্সন ৱিট দিসএবিলিতিজ-ৱাইখেম বিহারিনা সু মোটো কেস অমা লৌখৎখ্রে।

রাইটস ওফ পার্সন ৱিট দিসএবিলিতিজ এক্ট-২০১৬ কী সেক্সন ৮২ গী মখাদা কম্মিসন অসিনা কেস অসি লৌখৎখিবনি। মদুগী মতুং ইন্না রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অমদি ইন্দিয়ান বেঙ্ক এসোসিয়েসননা পীবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংবু বেঙ্কতা চংবা মতমদা পীগদবা খুদোংচাবশিং অদু নীংথিনা ঙাকা চৎনবা মনিপুরদা লৈরিবা বেঙ্কশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি। মরুওইনা বেঙ্কশিংদা ফিজিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি দিজিটেল বেঙ্কিং প্লেটফোমশিং নীংথিনা থমদুনা পি.ডব্লিয়ু.দিশিং অসিনা বেঙ্ককা মরী লৈনবা থবক থৌরমগী খুদোংচাবশিং ফংহনগদবনি হায়রি। করিগুম্বা মখা তানা পি.ডব্লিয়ু.দিজ অমদি অহল ওইরবা মীওইশিংনা বেঙ্কতা চংবা মতমদা খুদোংচাদবা থেংনরবদি মদুগী মতাংদা ষ্টেট কম্মিস্নার ফোর পার্সন ৱিট দিসএবিলিটিজতা পাউ পীবিয়ু হায়রি।

**হিরোসিমা (এল) ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী মখাদা লৈরিবা জি.পি. ৱিমেন্স কলেজকী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা হিরোসিমা ডে নীংশিং থৌরম ঙসি কলেজ অসিগী লাইব্রেরী বিল্ডিংদা লৈবা ইগজাম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ইং কুমজা ১৯৪৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা আমেরিকানা জপানগী হিরোসিমা সহরদা এটোম বোম থাদদুনা মাঙ তাকহনখিবা নুমিৎপু নীংশিংবা ওইনা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অদুদা কলেজ অদুগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসার-এল. রাজেন, ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ-ডা: এম. বিদ্যাসাগর,

কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী হেদ-কে. সনাতোন শর্ম্মা অমদি ইন্টরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেলগী কোওর্দিনেটর-প্রোফেসার-এম.দি. বহারুদিন সাহ শরুক য়াখি।

**ইভিক্সন(এল) ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলম রাজকুমারনা লুচিংবা কাংবু অমনা ঙসি পাউনা বজার অমদি থঙ্গাল বজারদা ইভিক্সন সর্ভে চথখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং তরুক তাবা অদুৱাইদগী হৌখিবা সর্ভে অদুদা ফুট পাথকী মথক্তা গেট পানশিনবনচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মওংদা শেমগৎ শাগৎলন্সবশিং থেংনখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মশা মশানা মদু শিদোকবা খঙহল্লমখি। ইভিক্সন সর্ভে অদুগা মরী লৈননা দি.সি. রাজকুমারনা পাউমীশিংদা হায়-সর্ভে অসিদা থেংনরকপা লম খোপচিল্লন্সা য়াওনা তোঙান তোঙানবা অশোয়বা অরানবা কয়া অসি খোমগৎলগা মসিদা ওবজেক্সন তৌরকপশিং হিয়ারিং তৌদুনা ইভিক্সন দ্রাইব মপুং ফানা চথরগনি।

থৌবাল জিলাগী ওইনা ঙারিয়ান চীংখোঙদগী হৌরগা য়াইরিপোক ফাওবগী লন্সীগী নাক য়েৎতা লম খোপচিন্দুনা শাজিল্লন্সবশিংসু কৈরাও বিত্রা এস.দি.ওগী মনুং চনবা তুলিহল সার্কল এস.দি.সিগী কাংবুনা সেক্যুরিতি ফোর্সকা লোয়ননা তকথোকপা হৌখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা তুরেল তোর্বান অমদি ইরাম নালাশিংদা আইনগী ৱাংমদা শাজিল্লিবশিং মশা মশানা লৌথোকচনবা মতম থাখ্রবা মতুংদা মীওই তরুকনা মখোয়গী ৱাকৎ তাবীনবা হায়রকপগী মতুং ইন্না থা অসিগী ৯ দা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কোর্ট হোলদা হিয়ারিং চথরগনি হায়না দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: নেবিদেতা লাইরেনলাকপম খঙহল্লক্লি।

**রিমস (এল) ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যু ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী

ই.এন.টি. দিপার্টমেন্টকী মখাদা বেচলর ইন ওদিওলোজি এন্দ স্পিপস লেঙ্গোইজ পেথোলোজিনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা আর.সি.আই. এক্রিদিটেদ কন্টিন্যুয়িং এদুকেসন প্রোগ্রাম ওন দাইজ ফেজিয়া অপদেটস ইন স্পিপস লেঙ্গোইজ পেথোলোজি সার্ভির্সেস ঙসিদগী রিমসকী বের্ন্টিং হোলদা হৌখ্রে।

ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্তর প্রোফেসার-জি. সুনিল কুমার শর্ম্মনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মহাকা হায়-ই.এন.টি. দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফকী অৱাৎপা য়াওনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা অৱাৎ অপাশিং মেনখৎনবা হোৎনরগনি। ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ নিনি চথ্নগদবা থৌরম অসিনা ই.এন.টিগী অনা লায়েংদা খুদোং চাহল্লগনি।

**হার (এল) ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এগ্রীকলচর ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা মোধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিএল ত্রষ্ট-পৌরাবীনা ঙসি ত্রষ্ট অসিগী ওফিসতা লৌমীশিংদা হার য়েন্থোকখ্রে।

লৌউ শিংউগী পন্থা ওইবনা লৌমীশিংনা হার লৌবা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরিবা অসিগী য়েংলগা ত্রষ্ট অসিনা সরকারনা লেপ্পা মমলদা য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপনি হায়রি।

**ককচিং (এল) ঃ** ককচিং জিলাগী মনুং চনবা কৈরক অপর প্রাইমারি স্কুলদা ঙসি চহি তরুক্তগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা চিলদ্রেন ৱিট স্পিপসিএল নিটসকী মতাংদা মীয়াম পুন্না ভাব তামীন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট ওফিসার সমগ্রাহ শিক্ষা, জোনেল এদুকেসন ওফিসার অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ককচিংগী রাস্ত্রিয়া বাল স্বাতিয়া কারিয়াক্রমনা আর্টিফিসিএল লিম্বস মেন্যুফেকচরিং কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমনদুনা পাঙথোকপনি। মদুদা, হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা অঙাংশিংনা মহৈ-মশিং তম্বদা খুদোংচাহন্নবগী পান্দমদা ককচিং জিলাগী ওইনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা

মখোয়গী তঙাইফদবা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

**চান্দেল (এল) ঃ** ষ্টেট লেবেল ৱাইল্ড লাইফ ফোটোগ্রাফি কন্টেস ২০২৫ দা শরুক য়ানিংবা চান্দেল জিলাগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা 'ৱাইল্ড লাইফ মমেলস ওফ মনিপুর ইন দিয়ার নেচরেল হেবিটেদ' হায়বা হীরমদা মশা মশাগী ফোটোশিং দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলদা মথং থাগী ১২ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকবা চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী-দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনা খঙহল্লক্লি।

**লাইরিক (এল)ঃ** ডা: খুন্দোংবম গোকুলচন্দ্র অমসুং য়াম্বেম তোম্বী দেবী অনিনা পুন্না ইবা 'মনিপুর অমসুং মনিপুরি সিনেমা' হায়বা লাইরিক অমা ঙসি মনিপুর হিন্দি পরিষদ-ইম্ফালদা ফোংখ্রে।

থৌরম অদুদা থবক্তগী পোত্থখ্রবা আই.এ.এস. কাংজম রাধাকুমার, ফিল্ম ফোরম মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-খাঙেম্বম কুলেশ্বর শরুক য়াখি।

**নোং (এল)ঃ** মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ ৭নিদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকে দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি)না হায়- মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদা হায়রিবা মতম অসিদা অকনবা নোং চুগনি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়- হিমাচল প্রদেশ, উত্তরাখন্দ, উত্তর প্রদেশতা লাক্লিবা নুমিৎ হুমিদা অকনবদগী য়ামা কনবা নোং চুগনি। তামিলনাদু অমসুং কেরলাগী মফমশিংদনা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানিদা নোং কন্না চুগনি।

ৱেদর এজেন্সিগী পাউ মতুংইন্না খা থংবা পেনিনসুলা লমদমদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদা অকনবা নুংশিৎ শিৎকনি হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নিউ দিল্লিগী কর্তব্যাপাথতা কর্তব্যা ভবন থ্রি শঙ্গাখ্রে।

সরকারনা মীয়ামদা পীখিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোক্লি হায়বদু ভাবন অসি শঙ্গাবনা ময়েক শেংলে তাকলে হায়না প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি।

মহাকা হায়-ঙসি শঙ্গারিবা ভাবন অসিনা সরকারনা পায়খৎপা থৌরাংশিং মীয়ামদা ফংহনবা খক নত্তনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা হেন্না খুমাং চাউশিলহল্লগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ঙসি শঙ্গখিবা বিল্ডিং অসি সেন্ত্রেল ভিষ্টা প্রোজেক্টকী মখাদা কেন্দ্র সরকারগী কম্মন সেন্ত্রেল সেক্রেটরিয়েট বিল্ডিং কয়া শারিবা অসিগী মনুংদা অহানবা শঙ্গাবনি। কর্তব্যা ভবন থ্রি অসি স্কৱার মিতর লাখ ১ মখায় পাক চাউবা কেম্পস লৈবা মথোল ৭ অমসুং বেজমেন্ট অনি য়ালবা মোর্দন ওফিস কমপ্লেক্স অমনি। মসিদা হোম, এক্সতর্নেল এফ্যারস, রুরেল দিভলপমেন্ট, এম.এস.এম.ই, দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সননেল এন্দ ত্রেনিং, পেত্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস অমসুং প্রিন্সিপাল সাইন্তিফিক এদভাইজরশিংগী ওফিসশিং ওইগনি। মসিদা মৈ কন্নবা থৌরাং কয়া য়াওবগা লোয়ননা রিসাইক্লিংগী খুদোংচাবশিং য়াওরি। রুফ টোপ সোলর, সোলর ৱাটর হিত্তিং, এদভান্স হিত্তিং, রেন ৱাটর হরভেষ্টিং সিষ্টেম শিজিন্নদুনা চহিদা ইনর্জি চাদা ৩০ কনবা ঙমগনি।

**সংসদ ঃ** রাজ্য সভানা ঙসি কেরিয়েজ ওফ গুদস বাই সি বিল-২০২৫ পাস তৌখ্রে। বিল অসিনা হান্নগী লৈরম্বা ইন্দিয়ান কেরিয়েজ ওফ গুদস বাই সি এক্ট-১৯২৫ গী মহুৎ শিল্লগনি। মসিদা হিথাংফম অমদগী পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন তৌবদা তোঙান তোঙানবা চৎন-কাঙলোনশিং থমদুনা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

বিল অসি লোক সভাদদি হান্না পাস তৌখ্রবনি।

**বৈসনোঃ** ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়রি-লৈবাক অসিদা ও.টি.টি. প্লেটফোর্ম ৪৩ নাতৈ চাদবা মমিশিং থাগৎপগীদমক থিংজিনখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি লোক সভাদা অইবা ওইনা পীবা পাউখুমদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-ইনর্ফোমেসন টেকোলোজিগী রুলস-২০২১ গী চৎন কাঙলোনগী মতুং ইন্না মীয়ামদা নুংঙাইতবা পোকহনবা মমিশিং থাগৎলকখিবা ও.টি.টি. প্লেটফোর্মশিং অদু থিজিংনখিবনি।

**উত্তরাখন্দ ঃ** উত্তরাখন্দগী উত্তরকাশি জিলাদা ঈশিং ঈচাউ থোকপদগী মীওই মঙা লৈখিদ্রে। মীওই ৬০ হেনবনা থিবা খঙদনা লৈরি। ভারত লান্মী, এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীওইশিংনা মী কনবা অমদি তেংবাংবগী থবক চথুরি। হৌজিক ফাওবদা মাওই ১৫০ হেন্না শাফগদবা মফমদা থংদোকখ্রে। গঙ্গোত্রিদসু মীওই ৮০ রোম শাফগদবা মফমদা থংদোকখি।

মী কনবগী থবক হেন্না কনশিন্নবা ইন্সপেক্তর জেনেরেল অনি, এস.পি. অহুম, দি.এস.পি ১১ অমসুং পুলিস পার্সোনেল ৩০০ লোম শিজিন্নরি। ঈচাউ অসিগী য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মনাক নকপা হোস্পিতালশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। ডোক্তরশিংনা ছুতি লৌবা খুদক্তগী য়াহনখিদ্রে। মী কনবা অমদি তেংবাং পীবদা চংগদবা এম.আই-সভেন্তিন অমসুং চিনুক হেলিকোপ্তরশিং শেম শাদুনা থমখ্রে।

অমরোমদা মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধামিনা ঙসি ঈচাউনা শোকহল্লবা ধরালি খুঙ্গং নোংথক্তগী য়েংশিনখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা উত্তরাখন্দগী এম.পি. খরগা ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা খন্ন-নৈনখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ ক্ষেত্রিময়ুম প্রে